হুয়েন লানপাও HUEIYEN LANPAO

থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ঐখোয়গী শান্তি থুগায়রিবা কনানো?

ঙসি মঙা-তরানি অসি শেল ময়েক অচৌবা অনী চৎনখিদবদগী ওইরক্লিবা মীয়ামগী খুদোংচাদবসিগী চৈনা-চৈথেং কনমনবনা, অতোপ্পা ৱাফম অমত্তা মীয়ামগী কোক্তা চঙনখিদরে। ঐখোয় স্বায়খত্তগী নত্তে, ইন্দিয়া শিনবা থুংননি। লোকল পেপর, নেসনল পেপর পুম্নমক্কী হেদলাইন ন্যুজ ওইনা ফোঙনবতা নত্তনা, মনুং লমায়শিংদসু মসিগী ৱাফমসিনা কল্লিবা অচৌবা মফম অমনি। মমল য়াল্লবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফম অসিফাওবা হৌবা নুমীৎ (নবেম্বর ১৬) তগী ঙসিফাও- 'প্রাইম মিনিষ্টর মশা য়াওনা দি-মনিটাইজেনগী ৱাফম খন্নদ্রিমখৈ অতোপ্পা ৱাফম অমত্তা খন্নবা য়ারোই' হায়না ওপোজিসননা থিংদুনা থল্লিবসিনি। নিংথম মীফম অসিদা খন্নগদবা মরুওইবা বিলশিংগী মনুংদা '২০১৩ গী এন্টি করপসন বিল'সু য়াওরিবনি।




'থম্মোয় পাউদম' তমজরিবা ঐঙোন্দসু চপ মান্নবা থম্মোয়গী ইহুলনি ফাওরক্লিবা ইনশিল্লুবা নাইদনা। অদুবু অমুকসু খল্লকই- নহানসু, ঙরাংসু, ঙসিসু- ফনা মরুওইবসু ওইসনু, হঞ্জিন-হঞ্জিন ইরকপসিদা তন্থবা অমা পোল্লক্লে। তারিখ ২৮ গী ওপোজিসন পার্টি ময়ামগী 'ভারত বন্দ' ফাওবদি পার্লিয়ামেন্টসু ৱাফমসিদা চরাংনদুনা লৈদৌরবনিনা, মতম অদু ফাওবদি ঐখোয়সু অতোপ্পা ৱাফম খরদা লৈথোক্তুনা লৈরসি। তৌবতবু, মণিপুরগী কোংগ্রেস পার্টিনা- নুমীৎ কুনমঙানি শুরবা য়ু এন সীগী ইকনমিক ব্লোকেদনা মীয়ামদা পীবা চৈথেংসিগী মতাংদদি মচিন্না ফোৎচিন্দুনা লৈরগা, দি-মনিটাইজেসনগী মতাংদা রেল্লিনচিংবাা চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌরকপসিদি ঙক্তবা ঙমদে। ঐতা নত্তে, ঙক্লমগনি ময়ামসু।

করি পাউবু তমসিগে? পাউ খনবদুমকসু অৱাবা ওইরে ঐঙোন্দা। নুংতিগী থোক্লিবা পাউ- পাউ-চেগী হেদিংদা ইরিবা, ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা ফোঙলিবা- পুম্নমক্তুবু হঞ্জিন্না তন্থা ওইরবা, অরুবা থৌদাং ওইরল্লোই। মালংদা লাকপা পাউ নত্তবা, থম্মোয়দগী থোক্লকপা পাউ অদুনি কাখলসিদা তল্লিবা।

ঈংবা-তপ্পা লৈত্রবা, শান্তি হায়বদু খঙদ্রবা, হিংমিন্নবা হৈত্রবা খুন্নাইসিদা হিংলুরবনা, খন্দবা ঙমদে খল্লকই- মালেমদা শান্তি থুগায়রিবা কনানো? শান্তিগী পাউজেল শন্দোক্লম্বা, মখোয়গী তুংইনবা ময়ামদুনা শান্তিগী পাউজেল শন্দোকপদনি মালেমগী শান্তি থুগায়রিবা। মী ওইনা হিংমিন্নবা হৈতবা, মী মরকসিদা ধর্ম্ম কৌবা মহীক অমনা শন্দোকপা লায়না মখলদুগী মতুংইন্না মীগী কাঙলুপ খায়রকপা, কুচু কুমেন খেন্নবা, মান্নদবা লোলগী মতুংইন্দুনসু ঐগী লম- মাগী লম খায়রকপা অসিনসু মী মরক্তা নুংশিনদবা হেনগৎপদা তেংবাংই। য়েক্তুম মতোন্দা পকপা লমগী শরুক অদুফাওবা পান্দব মচিন-মনাওদা পীরোয় হায়বা দুর্যোধনগী ফিরেপতুনা পান্দব-কৌরব অনীগী মরক্তা কুরুক্ষেত্রগী লাঞ্জাও থোকখিবনি। ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনী য়েংথিনবগী ৱাহৌনা হিন্দুগী লম, মুস্লিমগী লম হায়দুনা অমত্তা ওইরম্বা ইন্দিয়ানা অনী থোক্লা হিন্দুস্থান-পাকিস্তান খায়দোকখিবদুনা ওইরবসু, 'কাশ্মির' হায়বা লম অসি মুন্নবনা মরুওইবা মরম ওইরিবনি। অফোঙবা লান ওইনা, শিংনদুনা শোক্লবা নৎত্রবসু ইন্দিয়া-পাকিস্তান অনীগী (কাশ্মির) লমখৈ পরিংদদি লেপ্তুনা শোক্লরিবা লানফমগী মশক ওইরক্লিবা কুইরক্লে। ইন্দিয়ন ইকোনোমিক লৈখা তাহন্নবা, পাকিস্তান্না শৌগৎপা টেররিজমগী থবক হেনগৎলক্লিবসি থিংনবা হোৎনবা হায়বদুমসু শেলয়েক চৎনহন্দবগী পান্দম অমা ওইবনা- ইন্দিয়াদা শান্তি লৈহন্নবা হোৎনবগা, লুপা ৫০০ চৎপী অমদি লুপা ১০০০ চৎপী চৎনহন্দবগী থবক অসিগা নাকোয়ননা মরী লৈনরম্মী।

ইন্দিয়াগী শান্তি থুগায়বদা ইস্লামগা-হিন্দুগা মুক্নবগী ৱাফম অদু কানবা য়াদবা, খন্নদবা য়াদবা ৱাফম ওইবসিগুম, মণিপুরদা চহী-চা কয়াগী মমাঙদগী ঈংনা-চীক্লা, নুংশিননা লৈমিন্নরম্বা চীংগী মী অমসুং তমগী মী অনীসিগী মরক্তা চাউরবা লৈক্রক অমা চৎহনখিবসু, ঙমখৈ ৱাংমদগী মরক্তা চঙশিল্লকখিবা হিন্দু ধর্ম্ম অমদি খৃষ্টিয়ান লাইনিং অনীগী মরক্তা মুক্লবা লাকখিবদগীনি। কংলৈ ময়োন দা লৈঙাকপা ওইনা পাল্লমখিবা মীতৈ নিংথৌনা হিন্দুদা লাইমিং লৌরুঙৈ, অচৌ পিশক, অমাং অশেং খায়বা হকচিনবা হিন্দুগী চৎনবীদুনা চীংগী ইচিল ইনাওশিংবু মীতৈশিংদগী লাপথোক্লবা মরম ওইরকই। মখোয়না হিন্দু লাইনিং চৎচগে হায়বদা সংস্কৃত/বঙ্গালি লোল্লগা লাইগী লোল লোনবা ঙম্বা লাইগী মনাইনি খঞ্জবশিংদুনা য়াখিদে। মালেম শিন্না মশিং য়াম্বা লাইনিং লম্বী ওইননবা শন্দোরক্লিবা খৃষ্টিয়ান মিসনরিশিংগী লাংদা লায়না থুখিবা তাবনি। ইকুই কুইদনা পোলিটিকেল ওইবা শক্তিদুমসু হাপচিল্লকপদগী তপ্না তপ্না অনৌবা পোলিটিকেল হিষ্টরি অমা ইরকখি। মীতৈশিংগী পোলিটিকেল হিষ্টরিদগী পুরা নাথৈরবা ইতিহাস অমা। মদুনা মরু হুল্লকই- শান্তি থুগায়নবা মচাক অমা। ঙসিদি খুৎতগী নাম্থোকখ্রবা, অমুক হল্লক্লরোইদবা চেক্লাচাদুনা পাঞ্জক ওইখরে।

অদুবু, মালেমগী শান্তি থুগায়রিবা ৱাথোক্তুদি- ইস্লামগা খৃষ্টিয়ানিটিগা অনীগী মুক্নবা, অমেরিকাগা তালিবানশিংগী মুক্নবনা ওইরম্মী। হৌখিবা চহী তরা-কুন- কোল্ড ৱার লোইখ্রবা মতুং অমেরিকাগী মথক্তা ওসামা বিন লাদেনগী অফোংবা লান অদুনা ওইরকই- মফম খুদিং লানফম অমা হেক্তা ওইরক্লবগী মরম অমা। অমেরিকাগী সুপর-পাৱর নাপন থুদেকখিবা 'ওসামা' হৈনা শিংনা পাকিস্তান-আর্মি-হেদক্বার্টর মনাকমক্তদা লোৎলম্বদু, মফমদুমক্তদা হাৎতুনা জোর্জ বুশনা 'দোন্ট চেল্লেঞ্জ অমেরিকা লাইক দিস' হায়খিবদু 'ওবামা'না নাকল ঙাকখি।

'ওসামা'গী পন্দুপ লোইখ্রবা মতুং ঙসি মালেমগী শান্তি থুগায়রিবসি ইস্লাম-খৃষ্টিয়ান-হিন্দু মুক্নবনা ওইদরে। ইস্লাম ধর্ম্ম চৎলিবা মুস্লিমশিংগী মরক্তা 'সিয়া মুস্লিম' অমদি সুন্নি মুস্লিম'- মুস্লিম মশেল মুক্নবনা ওইরক্লে।


লৌশিং পুক্কৈ

# মীরোনবীশিংনা য়ুবী মহী থকপগী কান্নবা

নুপী ওইবীশিংনা মীরোল্লিঙৈ মনুংদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লে। অদুবু নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা য়ুবী মহী থকপা তারবদি খুদোংচাদবশিং খরমখৈ কোকহনবা ঙম্মী হায়না কোকোনট দিভলপমেন্ট বোর্দ (সী দি বি) না ফোঙদোকখ্রে।

সী দি বিগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, য়ুবী মহীদা ইলেক্ট্রোলাইট, ক্লোরাইদ, মেগনেসিয়ম, কেলসিয়ম, রাইবোফ্লেবিন অমদি ভিটামিন সী মরাং কায়না য়াওই। মসিগীসু মথক্তা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা চিনি, সোদিয়ম অমদি প্রোটিনসু য়াওই। মীরোনবী অমগী অহানবা ট্রাইমেষ্টরদা য়ুবী মহী চাং নাইনা থক্লবদি চাকমৌবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অমদি দিহাইদ্রেসন ফহনবগা লোয়ননা ইম্যুনিটি কনখৎহন্দুনা হকচাং তেকখৎহল্লি হায়না সী দি বিনা ফোঙদোকখি।





ফাইবর, মেনগনিজ, কেলসিয়ম, রাইবোফ্লেবিন অমদি ভিটামিন সী য়াওবা য়ুবী মহী থকপনা দিহাইদ্রেসন তৌহন্দে অমসুং হকচাং তেকখৎহল্লি। হুমাং থোকপদা য়াওখিবা নেচরেল সোল্টসু মেনখৎপা ঙম্মী।

য়ুবী মহী থকপনা ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎহনবগা লোয়ননা কিদনিগী মথৌ ফগৎহল্লি, য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন (য়ু টি আই) তৌহন্দে অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংহন্দে হায়রি। অদুম ওইনমক হীরম অসিগী মতাংদা মখা তানা থিগৎপা মথৌ তারি। চাকমৌবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা অমসুং পুক শাওগৎপা হায়বসি নুপী ওইবীশিংনা মীরোল্লিঙৈদা য়াম্না তোয়না মায়োক্লবা খুদোংচাদবশিংনি।

খৌরাংলকপা মতমদা ঈশিং নৎতবা অতৈ অতোপ্পা মহী অমা থক্লিংলকপা তারবদি য়ুবী মহীনা খ্বাইদগী ফৈ। বোট্টলদা হাল্লগা য়োল্লিবা হৈ মহী অমসুং এরেটেদ দ্রিঙ্কশিংদি থোইদোক্লা কান্নদে।

পুক্লুংদা লৈরিবা অঙাংগী অৱাৎ-অপা মেনখৎনবা হোৎনবদা মীরোনবীশিংনা মহী য়াম্না থকপা মথৌ তাই। য়ুবী অনৌবগী মহী থকপনা হকচাংদা য়াওবা ঈগী ভোল্যুম হেনগৎহনবগা লোয়ননা য়ুরিনরি ট্রেক্ট ইনফেক্সন তৌহন্দে অমসুং ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎহন্দে হায়না সী দি বিনা ফোঙদোকখি।

ইলেক্ট্রোলাইট, ক্লোরাইদ, পোটাসিয়ম, মেগনেসিয়ম, সুগর, সোদিয়ম, প্রোটিন, দাইটরি

য়ুবী মহী থকপা ফৈ হায়বা তারবসু খৌরাংলকপা মতমদদি অরুবা ফিল্টর তৌরবা ঈশিংদগী হেন্না ফবা অতোপ্পা অমা লৈতে হায়বা ৱাফম অসি নীংশিংগদবনি। য়ুবী মহী থকপা তারবসু খুদক্তা খায়দোক্লবা অশংবা য়ুবীগী মহী খক্তমক থক্কদবনি। অফবা গ্লাস অমদা হৈদোক্লগা থকপা য়াই। নৎত্রগা অফবা ষ্ট্রো অমনা চিংলগা থক্লবসু কায়দে।

মীপুম খুদিংমক ঈশিং মরাং কায়না থকপা মথৌ তাই। অদুবু মীরোনবীশিংনা অমুক্কা হেন্না ঈশিং থকপা তঙাইফদে। ঈশিংনা হকচাংগী মরুওইবা কয়াৎ পুম্নমক নীংথিনা মথৌ তৌহল্লি। ঈশিংনা ব্লদ সেলশিং মপাঙ্গল কলহনবগা লোয়ননা খোমজীংবী মমাশিংদা চাউনা কান্নবা পী। মীরোল্লিঙৈদা দিহাইদ্রেসন তৌরক্লবদি কোক চীকপা, কোক ঙাওবা, ওনিংবা, পুক নাবা, হকচাং শোন্থবা অমদি অতৈ খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি। মরুওইনা মীরোনবগী অহুমশুবা ট্রাইমেষ্টর মনুংদা দিহাইদ্রেসন তৌরক্লবদি খুদোং-চাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহল্লি।

হক্কী ঈশিং মচু ওল্লক্লবদি দিহাইদ্রেসন তৌরে হায়বগী খুদমনি। মতমদুদা মহী মরাং কায়না থকচিনবা মথৌ তাই। মীরোনবীশিংনা মহী মরাং কায়না থক্লবদি চাকমৌবা, পুক নুংশিৎ কাবা, থবাক শাবা অমদি চাবা তুমদবনচিংবা খুদোংচাদবশিংদগী ঙাকথোকই। হকচাংগী অঈং-অশাগী খলসু কায়হন্দে।

মীরোনবীশিংনা খ্বাইদগী তোয়না মায়োক্লবা খুদোং-চাদবশিংগী মনুংদা য়ুরিনরি ট্রেক ইনফেক্সনসু অমনি। করিগুম্বা ঈশিং নৎত্রগা য়ুবী মহী মরাং কায়না থক্লবদি খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লহন্দে। ঈশিং মরাং কায়না থক্লবদি হক্কী ঈশিং মহী লাঙথোকহন্দুনা ঈশিং য়াফম হৌহন্দে। মীরোল্লিঙৈ মনুংদদি ঙল্লিবমখৈ ঈশিং থকপদা অকায়বা লৈতে।

অখণ্ড-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী মীরোনবীশিংনা ঈশিং লিটর অহুমলোম থক্কদবনি হায়রি। ঙল্লবদি পুংজা খুদিংগী ঈশিং গ্লাস অচৌবা অমমম থক্কদবনি। কালেনথা ওইরবদি অমুক্কা হেন্না ঈশিং থকপগী তঙাইফ-দবা লৈ। মরমদি নিংশা শ্বর হোনবা অমসুং হুমাংদা হকচাংগী মহী অয়াম্বা মাঙখি।

মহী থকপা ফৈ হায়দুনসু বোট্টলদা হাল্লগা য়োল্লিবা হৈ মহী, চা নৎত্রগা কোফী থকপদা থোইনা কান্নবা ফংদে। হায়রিবা মহীশিং অসি দাইয়ুরেটিক ওইবা মরম্না মপান তোয়না থোকহল্লি। মপান তোয়না থোক্লিবমখৈ হকচাংনা মহী মাঙলিবনি।

কনাগুম্বা অমনা নোংমদা ঈশিং কয়া য়াম্না থক্লিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রবদি লিটর অমা চনবা বোট্টল অহুম ঈশিং হাঞ্জিল্লগা থম্লো অদুগা নোংমগী মনুংদা থকপা ঙস্ত্ররা হায়বদু য়েংগদবনি।

অচম্বা ঈশিং থকপদা হৈনদবা মীওইশিংনা চম্প্রা মহী খজিক্তং শুমজিল্লগা থকপা য়াই। নৎত্রগনা নুংশি হীদাক তীংলগা মদুগী মহী থকপসু কায়দে। মতাং অসিদনি য়ুবী মহীনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়না লৌনরিবনি। অচম্বা ঈশিং থকপা হৈনদবা মীরোনবীশিংনা নুমীৎ খুদিংগী য়ুবী মহী মরাং কায়না থক্কদবনি। মসিনা মীরোল্লিঙৈ অমসুং অঙাং উনবা মতমদা থোক্লক্কদবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্মী।

# কম্ম্যুনেল হার্মোনি ৱিক থৌরম লোইশিনখ্রে




থৌবাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :

নেহরু য়ুব কেন্দ্র, থৌবাল অমদি পিপলস য়ুনাইটেদ সার্ভিস ইনষ্টিট্যুট, খাঙবোক্লা খুৎশম্ননা শীন্দুনা পাঙথোরকখিবা কম্ম্যুনেল হার্মোনি ৱিক্কী থৌরম লোইশিনখ্রে।

খাঙবোক সোড়োক ৱাংমা কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা কম্ম্যুনেল হার্মোনি ৱিক লোইশিনবগী থৌরমদা নহা অমদি মহৈরোয় ১০০ রোম্না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নর টু দি সী, থৌবাল এম রাজকুমার, এন ৱাই কে, থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর ৱাই লক্ষ্মন অমদি সোসল ৱার্কর এল নোবিননা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা এসে কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি। এসে কম্পিটিসন অদুদা মকোক মথং তাখ্রবশিংদি, অহানবা পোজিসন্দা জোগিতা মোইরাংথেম, অনীশুবা পোজিসন্দা, সদ্দাম হুসেন অমদি য়ুন্নাম বিনোয়কুমার, অহুমশুবা পোজিসন্দা, সলমান খান, হরিশকুমার খুন্দ্রাকপম অমসুং লাইশ্রম লুৱাংতোননি। এসে কম্পিটিসন্দা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা থৌরমগী চীফ গেষ্টনা মনা-মথুম য়েন্থোকখি।

থৌরমদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা এন ৱাই কে, থৌবালগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর ৱাই লক্ষ্মননা সোসল ইন্টিগ্রেসন অমদি কম্ম্যুনেল হার্মোনিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার টু দি সী, থৌবাল এম রাজকুমারনা, মহৈরোয়শিংনা মথৌদা পূক্নিং চঙবগা লোয়ননা কন্না হোৎনদুনা মায় পাকপা মীওই অমা ওইনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা নহা অমদি মহৈরোয় কয়ানা শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# পুৱারী অমদি য়েলহৌমীশিংগী শক্তমগা শাগোন্নরিবা লমগী মমিংশিং লেঙদনা লৈহনগদবনি : হেরিকোন

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচএনএস) :

পুৱারী অমদি য়েলহৌমীশিংগী শক্তমগা শাগোন্নরিবা লমগী মমিংশিং লেঙদনা লৈহনগদবনি হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন) গী পব্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা সেক্রেটরি ব্রোজেন মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঐখোয়গী ইরমদমগী মমিং অসিদগী হৌরগা ইরমদম অসিগী মনুংদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মমিং, চীং, পাৎ, তুরেলশিং কয়াগী মমিং লমদমসিদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী শক্তম্সু মাঙহনগদবা পুৱারীবু লান্না লমজিংগদবা মওংদা মিংথোনখিবা অমদি ঙসিসু নৌনা লেপ্তুনা মপু পান্দবগী মওংদা ইরমদমগী মফম কয়াগী অনৌবা মিংথোল পীবগী চৎনবী অমা লেপ্তুনা চত্থরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ৫ শুবা ইন্টরনেসনল টুরিজম মার্ট ফোর দ নোর্থ ইষ্ট রিজন ২০১৬ গী থৌরম সিটি কনভেন্সন সেন্টর, ইম্ফালদা পাঙথোকপা থৌরমগী চেবাওদা সিটি কনভেন্সন সেন্টর অসিগী এদ্রেসপু অরানবা মওংদা হোম চর্চ লেন হায়বা ৱাহৈশিং হাপচিল্লকপগী ৱাথোক অমা থোরক্লি।

থৌরম অসিবু শিল-লাংবদা শরুক য়ারিবা মণিপুর টুরিজম দিপার্টমেন্টদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা হংলুবদা ইনভাইটেসন কার্দ নম্বা অমদি থৌরম অসিবু মপুং ওইনা শিল্লিবদি মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানি, ইনভাইটেসন কার্দতা হাপ্লিবা এদ্রেসকী মরমদা মখোয়গী নোলেজ লৈতে হায়বা পাউখুম পীরকখি। সিটি কনভেন্সন সেন্টর অসিবু শেন্নরিবা মণিপুর অর্বান দিভলপমেন্ট এজেন্সীগী ওফিসতা চৎলুবদসু কম্পিটেন্ট ওথোরিটি অমত্তা উনবা ফংলক্তে, অদুগা মুদাগী ওফিসতা লৈরম্বা ষ্টাফ খরনা ফোঙদোরকপদদি মখোয়সু নোলেজ লৈতে হায়রকখি।

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী মমিং মথা কয়া ইন্টর্নেটতা অরানবা মওংদা ফংলিবসিনা কনানা রেস্পোন্সিবিলিটি ওইগনি, মরী লৈনবা দিপার্টমেন্ট অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থৌদাংনা করি ওইগনি। সিটি কনভেন্সন সেন্টর, পেলেন গেট, হোম চর্চ লেন, ইম্ফাল মণিপুর হায়বা এদ্রেস অসি ইন্টর্নেটকী খুথাংদা ফংবা, সিটি কনভেন্সন সেন্টরগী এদ্রেসনি। ৱাফম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শেংদোক ৱারোল অমা পীবগা লোয়ননা অমুক হন্না মীয়াম্না পামদবা থৌদোক অসি থোক্তনবা হোৎনবীয়ু।

অমরোমদা, ঐখোয়গী ইরমদমগী মফম কয়াগী অশেংবা অচুম্বা মমিংবু অনৌবা মমিংদা শিন্দোকখ্রিবশিং অসি লমদম লমদমদুদা লৈবীরিবা মীওইশিংনা হান্না অচুম্বা মমিংদা ওন্থোকপীয়ু। মরী লৈনদবা অনৌবা লমগী মমিং থোনবসু থিংবীয়ু। ৱাফম অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটি-শিংনসু মতাং মতম চানা থবক পায়খৎপীদুনা ৱাথোক লাক্তনবা শিনবীয়ু।

ইরমদমগী মফম কয়াবু অনৌবা মিংথোল অমা পীশিনবদা মদুবু থিংবগী মহুত্তা ঐখোয়গী মীয়াম্নসু অয়াবা পীবগী মওংদা অনৌবা মমিং শীজিন্নবসু লেপ্পীরো। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুৱারীগা শাগোন্নরিবা লমগী মমিং, লম্বীগী মমিংসু শক্লাইরবনি হায়বা মীওই অমগী মীংদা হেক্তা থোনজিনবসু য়াম্না মুন্না খন্থরগা তৌহন্নিংই।

সেট্টলমেন্ট, রেভিন্যুনচিংবা দিপার্টমেন্টশিং, ম্যুনিসিপাল কাউন্সীল অমদি নগর পঞ্চায়টনচিংবা লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টকী বোদিশিংনা ইরমদমগী লমশিংগী মমিং মথা চুম্না থম্নবা অমসুং থোন্নবা হোৎনবীয়ু। ঐখোয়গী ইরমদমগী লমশিংগী মমিং মরিং-মরাংবা মওংদা থোনজিনখিবসি অসুক্কী মতিক য়াল্লবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ফোইলেন প্রাইমারী স্কুল বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) : সর্ব সিক্ষা অভিয়ান (এস এস এ) স্কিম ২০১২-১৩ গী মখাদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ফোইলেন ভিলেজদা শাখিবা ফোইলেন প্রাইমারী স্কুল বিল্ডিং ঙরাং শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা চান্দেলগী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসকী এসিষ্টেন্ট ইন্সপেক্টর এল মোজেস অনাল, এস এস এ, চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর মোসাইঙম অমদি ফোইলেন ভিলেজ চীফ তোংপাও গুইতেনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমদুদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা মোজেস অনালনা নৌনা শাখিবা স্কুল বিল্ডিং অদু শঙ্গাখি।

# ব্লোকেদ অথুবদা ৱারোইশিন পুবীরকউ : এ আই এম এস

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস) :

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সীল (য়ু এন সী)না চত্থরক্লিবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুবীরকউ হায়না অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এ আই এম এস) কী প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ব্লোকেদকী চৈথেং অসি চীংমী-তম্মী অনীমক্তা চৈথেং ফংলি। ইকনমিক ব্লোকেদকী খুদোংচাবা অসি লৌরগা পেসেঞ্জর গাড়ীশিংনা ভরা চাদা ১০০ হেনগৎপা অমদি পোৎচৈগী মমল অসি অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লি। মহৈরোয়শিংনা স্কুল/কোলেজ চৎপা মতমদা মমল হন্থনা ভারা পীগনি খনবদগী গাড়ী মপুশিংনা গাড়ী তোংহন্নিংদবা, গাড়ী অমদা তঙাইফদনা মহৈরোয় অমা নৎত্রগা অনীদগী হেন্না তোহন্নিংদবা। মসিনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস মতম চানা য়াওবা ঙমদ্রে। মরম অদুনা ট্রান্সপোর্ট এসোসিএসননসু অথুবা মতমদা ৱাফম অসি খন্নবীনবা আপিল তৌরি।

ওইল পম্পশিংদা পেট্রোল ফংদ্রবসু দিজলদি মরাং কায়না অদুমক পীরি। অদুবু গাড়ী ভারাগী চাদা ১০০ হেনগৎলকখি। অথুবা মতমদা গাড়ী ভারাশিং অসি হন্থবীনবা আইএমসনা আপিল তৌজরি। ব্লোকেদকী মিংদা শেন্দোং তান্নবা লল্লোন ইতিক তৌরি। মীয়ামগী অৱাবদা নাচুংবা ফাওদ্রি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# সোলর লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫: হেদক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ২৮-সেক্তর আসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুল কয়াদা সোলর লেম্প য়েন্থোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ২৮-সেক্তর আসাম রাইফলসকী কম্মান্দরনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তুইজাং, হোলেঞ্জাং, জৌপী, নাকোং, হেনচম, সাইবোল অমদি চেনখোপি খুলদা থা অসিগী ১৬ তা সোলর লেম্প ২০২ য়েন্থোকখি। মৈ নীংথিনা ফংদ্রিবা মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা মফমশিং অসিদা সোলর লেম্পশিং অসি য়েন্থোকখিবনি। সোলর লেম্প অসি ইকো সোল্যুসন কৌবা এন জি ও অমনা স্পোন্সর তৌবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেদ ক্বার্টরস আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ১৮ শুবা আসাম রাইফলসনা শীন্দুনা ওর্ফানেজ হোম, চান্দেল অমদি ওরেন্টেসন একাদেমী, চান্দেলদা থা অসিগী ১৪ দা চিলদ্রেন দেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। মহৈরোয়শিংনা নাৎকী ওইবা জগোয় কয়াসু উৎখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# ষ্টাফ হাপচিল্লকপা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

জিরিবাম, নবেম্বর ২৫ : এস এ খুন্নৌ পঞ্জেল ক্লবনা শীন্দুনা ঙসি সোড়োক অতিংবীদা লৈবা ক্লবশিং অমদি জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা সিবিল সোসাইটিগী ওর্গনাইজেসন অমদি মহৈরোয়শিং য়াওবা মীফম অমা দল্লিয়ু লোকেশ্বরনা মীফম মপু ওইদুনা খুন্নৌ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা সোড়োক অতিংবী এদেদ হায় স্কুলদা অহেনবা ষ্টাফ হাপচিল্লকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংদি, অহানবা ৱারেপতা, ঙসিগী তীল্লিবা মীয়াম্না সোড়োক অতিংবী এদেদ হায় স্কুলবু গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল ওইরগনি হায়বগী থাজবা পীবীরম্বা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি জিরিবামগী লোকল এম এল এবু অমুক্কা হন্না ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোক্লখি, অনীশুবা ৱারেপতা, স্কুল মেনেজিং কম্মিটিনা ফোর্মেল নোটিশ অমত্তা তৌদনা কম্মিটি মেম্বরশিংগী অয়াবা য়াওদনা মানা মানা পামজবা মীওইবু ওজা ওইনা হাপচিল্লকপা, অদুগা হান্না ৱাজরকপবুদি নীংশিংবা তৌরমদনা স্কুল মেনেজিং কম্মিটিগী সেক্রেটরি, চ্যেরমেন, হেদ মাষ্টরনা মখোয়গী অপাম্বদা সোড়োক অতিংবী এদেদ হায় স্কুলগী অহেনবা ষ্টাফ হাপচিল্লকপবু ঙসিগী মীয়াম্না অমুক্কা হন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি।

অহুমশুবা ৱারেপতা, নীয়মগী ৱাংমদা ষ্টাফ হাপ্লগা মরী লৈননা মীয়াম্না ঙসি ফাওবদা স্কুল থিংজিন্দুনা লাকপসিদা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর অমদি কম্মিটিগী সেক্রেটরি অমসুং চ্যেরমেননা ঙসি ফাওবা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকপীরক্তবা অমদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা ৱারোইশিন অমা পুরকসি হায়রবা ফাওবদা ঙসি ফাওবা ইম্ফালদগী হল্লক্তবা থৌওংবু লৈকায় অসিগী ক্লব অমদি সোড়োক অতিংবীগী মীয়াম্না লোয়ননা তীনবীরিবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মায়কৈদগীসু স্কুল মেনেজিং কম্মিটিগী চ্যেরমেন, সেক্রেটরি অমদি স্কুলগী হেদ মাষ্টরবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী থৌওংবু কন্না পেন্দবা ফোঙদোক্লখি।

মরিশুবা ৱারেপতা, স্কুল অসিগী ফোর্মেলিটি য়াওদনা লৌরিবা টিচিং অমদি নন-টিচিং ষ্টাফশিং খুদক্তা লৌথোকপীয়ু, লৌবা তারগসু নীয়ম চুম্না লৌবীয়ু নৎত্রবদি পঞ্জেল ক্লব অমদি সোড়োক অতিংবীগী মীয়াম্না কম্মিটিগী মায়োক্তা লেপকনি মসিদা থোরকপা খুদিংমক্কী থৌদাং স্কুল কম্মিটিনা পুজগদবনি। ঙসিগী লেংবীরক্লিবা ওর্গনাইজেসন পুম্নমক্লসু সোড়োক অতিংবী মীয়ামগী অমদি জিরিবামগী খল্লগা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা অথুবা মতমদা অচুম্বা সোল্যুসন পুরকপদা তেংবাঙবীনবা হায়জখি।

লোয়ননা ওর্গনাইজেসনশিংনসু সোড়োক অতিংবী মীয়ামগীদমক লেপকনি হায়না ফোঙদোক্লখি, মঙাশুবা ৱারেপতা, থা অসিগী ২৮ দা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টর, জেদ ঈ ও, জিরিবাম, স্কুল কম্মিটিগী মেম্বরশিং, পঞ্জেল ক্লবকী মেম্বরশিং অমদি জিরিবামগী তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসনশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবা হায়না লেপ্নরে অমসুং তরুকশুবা ৱারেপতা, ঙসিগী মীফমগী রিজোলুসন কোপীশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পীখৎনবা লেপ্নখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# স্কুল ভেনগী পেট্রোল য়েনগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ : ওল মণিপুর স্কুল ষ্টুদেন্টস ট্রান্সপোর্টর এসোসিএসননা শীন্দুনা স্কুল ভেনশিংগী ওইনা হয়েং নোর্থ এ ও সীদা লৈবা বি ঈ পেট্রোল পম্পতা কার্দ সেরিএল নম্বর ১ দগী ১৩০০ ফাওবা পেট্রোল য়েল্লগনি হায়না এসোসিএসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কার্দ সেরিএল নম্বর ১৩০১ দগী অরোইবা ফাওবগী ওইনা থা অসিগী ২৭, নোংমাইজিং নুমীৎতা পম্প অসিদা মখা তানা য়েনগনি। হঙ্গামপাল মচুগী ষ্টিক্কর নপ্লবা স্কুল ভেনশিংনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুংমীদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা পেট্রোল লৌবা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# থাবুম অমা চুপ্না পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ : ওল মণিপুর নুপী মরুপনা শীন্দুনা নুপীলাল নীংশিং কুমওন থৌরম থাবুম অমা চুপ্না পাঙথোক্লগনি হায়না লূপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, চহীসিগী দিসেম্বর ১ দা ইরাবত ভবনগী হোলদা হৌদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থাবুম অমা চুপ্না নুপী মরুপকী তোঙান তোঙানবা এরিয়াশিংদা অনীশুবা নুপীলালগী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্কনি। হন্দক চহীগী অসিগুম্লবা থৌরমসিদা ঙসি ঙসি মণিপুরদা থোক্লিবা বন্দ, ব্লোকেদনা মীচম মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং, পোৎচৈগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংখৎলক্লিবা তাঞ্জাসিদা শেল ওনবগী অৱাবা অসুম্না তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈনরি। ঙসিগী গভর্ণমেন্টনা ইস্যু অমত্তা লোইশিন্নবা হোৎনদবা, মীচম মীয়াম হা-কার লাউনরিবসি শেঞ্জাও পায়বা সাসনগী মখাদা লাকচবা অঙক অঙম্না শেৎলগা চানবা, অকনবনা অশোনববু লাকথুবগী থৌওংনি। অসিগুম্বা অশোয়বা, ভিক্তিম ওইরবা নুপী মীয়াম অমনা অচুম্বা ৱায়েল ফংবা ঙমজদ্রবা খুদিংমক হন্দক্কী নুপীলাল নীংশিং কুমওন থৌরমসিদা খন্ন-নৈনগনি হায়নসু মখা তারি।

# আর্ট ইগজিবিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ : আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী ৮লকশুবা এন্যুএল আর্ট ইগজিবিসন ইনক্লুদিং ফোটোগ্রাফি চহীসিগী দিসেম্বর থাগী অরোইবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি হায়না আর্টস সোসাইটি, মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুমীৎ মঙানি চুপ্না চত্থগদবা ইগজিবিসন অসিদা পেন্টিং, স্কল্পচর, গ্রাফিক্স অমসুং ফোটোগ্রাফশিং উৎকনি। ইগজিবিসন অসিদা শরুক য়ানিংবা আর্টিষ্টশিংনা লাক্লিবা দিসেম্বর ১৩ ফাওবগী মনুংদা আর্ট ৱার্কশিং আর্টস সোসাইটি মণিপুরদা পীখৎপীরকপা য়াগনি। ইগজিবিসন অসিদা শরুক য়ানবগীদমক থাগৎলকপা আর্ট ৱার্কশিং অদু কুমজা ২০১৪ গী নবেম্বর ১ গী মতুংদা য়েকপা নৎত্রগা শাবা ওইগদবনি। অকুপ্পা মরোল/ৱারোল অমসুং এন্ট্রি ফোর্ম আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী ওফিসতগী খঙবীবা য়াগনি।

ইগজিবিসন অসিগীদমক থাগৎলকপা আর্ট ৱার্কশিংগী আর্টস সোসাইটি মণিপুর এন্যুএল আর্ট এৱার্দ ২০১৬ পীনবগীদমক পেনেল ওফ জুরিনা খনগনি লোয়ননা এৱার্দ অসি ইগজিবিসন হৌবা নুমীৎতা য়েন্থোক্কনি। মসিদা শেল ওইনা লুপা ১০,০০০, সোল অমদি সাইটেসন য়াওরি।